# য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ নীনিদগী হেনগুমসি

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



চহী খুদিংগী লমতা থা অসিদা য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকই। মসি লমতা থাগী পুর্ণিমা নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি চখৈ। তরুকনি শুবা নুমিৎতা হালংকার পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লি। মসিনি মমাঙঙৈদগী চৎনদুনা লাকপা য়াওশঙ কুম্মৈগী মচৎ। য়াওশঙ কুম্মৈ নৎত্রগা হোলি ফেষ্টিবেল ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা পাঙথোকই। ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা ফেষ্টিবেল অসি নুমিৎ নীনিদগী হেন্দে। লমতাগী পুর্ণিমা মথং নুমিত্তা মখল মখা কয়াগী কলর (মচু) তৈবা, মচুগী মহি হৈনবা কয়া তৌই। অদুবু নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইরু-মায়থজবা মতুং অথুম অহাও চামিন্নদুনা নুংশি চান্ননা ফেষ্টিবেল অসি লোইশিল্লি। মখা তানা শাংথনা থৌরম পাঙথোক্লদে। য়াওশঙ নৎত্রগা হোলি ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক কয়ামরুম লৈ। মসিগী মনুংদা রাধা কৃষ্ণগা লৈনবা মরীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী কয়া লৈরি। কৃষ্ণ কুচু মুই। মদু ফনবা মমাদা হংজৈ। মমানা রাধাদা হংলুনবা পাউতাক পী। রাধানা কৃষ্ণগী অমুবা মমায় অদুদা মচু কয়া তৈশিল্লি। অসুম্না হোলি ফেষ্টিবেল ওইরকখিবগী ৱারী লৈরি। মসি নত্তবা অতোপ্পা অমনা বিষ্ণুনা Demon Hiranyakashipu বু হাৎতুনা অচুম্বা/অফবনা ফত্তবগী মথক্তা মায় পাকপগী কুম্মৈ অমসুনি। মসি ৱিন্টর লোইশিল্লকপা, স্প্রিং চঙলকপদা পাঙথোকপা কুম্মৈনি হায়দুনা স্প্রিং ফেষ্টিবেল হায়নসু খঙনৈ। নুংঙাইরবা মতম ওইবা, নিংথম থাগী অঙৈংবা লোইশিল্লকপা, কালেনগী মৈশা লাক্ত্রিঙৈ, চাবা থকপা হাওবা মতম, ফৌ-চেঙ, মনা-মশিং মরাং কায়না ফংবা, ৱাখল নুংঙাইবা মতমদা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমনি। খুন্নাইগী চৎনবী অমা ওইনা মমাঙঙৈদগী লমতা থাগী পুর্ণিমা নুমিৎ, থাবল ফবা, নোং-চীং তাদবা, য়াম্নসু ঈংদবা, য়াম্নসু শাদবা য়াচংবা মতমদগী হৌরগা খরা থেংথরকপা মতম ফাওবা ঈশৈ হন্দুনা থাবল চোঙবগী ফজখ্রবা লিক্লম অমসু লৈরম্মী।

মীতৈ লৈবাক অসিদা গৌরিয়া ধর্ম্মগী ঈহৌ লাকপা মতমদা গৌর লীলা, রাস লীলা লিংখৎতুনা মচা-মশুশিং কৃষ্ণ শাহনবা, জগোয় মকোক চিংহনবা য়াম্না লেমজবা অমা ওইরম্মী। Bengal (বংগলা) দা থোকখিবা থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইবা য়াওশঙগী ৱারী অমসু লৈরি। Jogai/Madhai মচিন মনাও অনীবু গৌর ধর্ম্মদা পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা য়াওগী শঙ মৈ চাকখিবগী ৱারীসু লৈতবা নত্তে। য়াওশঙগী ৱাহন্থোক তোঙানজরবসু ঙসি ফাওবদা হোলি হিন্দু ধর্ম্মগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

হৌজিক্তি মসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমবু নাথৈরগা মখল মখা কয়াগী থৌরম পাঙথোক্লি। লমতা থাগী পুর্ণিমা নুমিৎকী য়াচংবদগী হৌনা অঙাংশিংনা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা শেল নীগনি। মসি মথংগী নুমিৎতসু চখ্তগনি। মতুং তারকপদি লন্থী থৎতুনা শেল নীগনি। মৌশিংনা খঙনা চান্নবা মীগী য়ূমদা চৎতুনা শেল নীগনি। হোলি পালা লিংখৎতুনা য়ূমথোঙ কয়াদা হোলি ঈশৈ শক্কনি, ধুলোক চোলোম তৌগনি। নুমিদাংদা পাখং-লৈশা, মৌনহা থাবল চোঙগনি। হুমনি-মরিনি চনবা মতমদা নুপামচাশিংনা গাড়ী মচা/অচৌবা পুল্লপ পুল্লপ চৎতুনা ঈশিং হৈজিন্নগনি। মসিদা খৎন-চৈনবা, লন্থীগী এক্সিদেন্ট কয়াসু থোক্লিবনি। মমিৎতা ফত্তবা ঈশিং, অবের চঙখিবদগী হোস্পিটালদা লায়েংবা পুখৎপা কয়াসু য়াওরিবনি। তৈনখিবা অমদি হৈনখিবা মচু শংলবা ঈশিং কয়া অদুনা মমৈথংদা উনশাগী লায়না কয়া নাবা য়াওদবা নত্তে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা য়াওশঙ স্পোর্টস হায়দুনা শান্নবুং, লম্মাংদগী হেন্দোক্তুনা শান্নবুং লৈতবা মফমদদি লন্থী সরক থিংদুনা মখল মখা কয়াগী স্পোর্টস কয়া পাঙথোক্লি অমসুং চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা, অকায়বা কয়া পীরি। অসিদসু নত্তনা মরু ওইবা লন্থীগী তঙ্খায় অমা থিংজিন্দুনা লন্থী কয়া থাবল চোঙফম ওন্থোক্লি। অনা-অয়েক অমদি ইমর্জেন্সি ওইবা থৌদোক কয়াদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। কৈথেল দুকান থোঙ লোনগনি। নুমিৎ মঙানি চূপ্না প্রিন্ট মীদিয়াগী মীওইশিং মথৌ তৌদে। পাউচে ফোঙদে। ৱার্ক কলচর মাঙশিল্লকই। শু-নোম্বগী ৱাখল লৈতে। নুংঙাইথোকপা হৈবা মীতৈ ফুরুপনি।

য়াওশঙ স্পোর্টসকী মতাংদা ইরকপা ৱারেং কয়া থেংনখ্রে। মসিনা পিক্লিবা অঙাংশিংদগী হৌনা স্পোর্টসকী ঈহৌ শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগনি। য়াওশঙগী ঈরাং খরগী মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি। অইবা কয়ানা মাগী মাগী অনীংবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসি নত্তবা য়াওশঙ স্পোর্টস তশেংনা কান্নরিব্রা হায়না হংবা ৱারেংসু লৈখি। মসিনা য়াওশঙগী ঈরাং হন্থহনবগী মহুত্তা ঐখোয়গী ইকোনোমিদা অচৌবা শাফু অমা হাপকৎলি। দবল এক্সপেন্দিচর ওইহল্লি হায়না ইখিবসু য়াওখি। হন্দক্কী চহী ২০২২দা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈ কোভিদ লাইচৎ ফগৎলকপগী অথিংবা খরা কোমথোক্লকপা, ইলেক্সন মতুং মায় পাক্লবা মীওইশিংদগী শেল খায়বা নুংঙাইবা, মায় পাক্লবা মীওইশিংনসু মশক থোক্না য়াওশঙ কুম্মৈ য়াওশিন্দুনা হেন্না পাক চাওনা পাঙথোকপা থেংনৈ। মসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফম অমখক্তি কোভিদ লাইচৎ মনুং অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবা, চাবা মশীং খঙদনা হেনগৎখি। ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা য়ু (অলকোহোল) অসিসু লমদম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা পোৎশক অমনি। মসি শীজিন্নবগী চাং অসি ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মনুংদনা অমুক্কা হেন্না শীজিন্নবা থেংনখি। মীরেপ খুদিংমক্কী য়ূমদা য়ু মরাং কায়না ফংই। পীয়ু হায়রিবমখৈ ৱাৎতনবা হোৎনৈ। করিগুম্বদা য়ুথক শেল ওইনা পীবসু য়াওই। মরমদি মীওই খুদিংমক্কী ভোটকী ভেল্যু য়াম্না ৱাংই। শাওহনবা য়াদে। শাওদুনা চৎখিবদা ভোটর মাঙজগদৌরিবা অসি মীরেপ অদুনি। অসুম তৌবা অসিদা য়াম্না তোয়না য়ু শীজিন্নদবা মীওই কয়াসু নিতিগী য়ু শীজিন্নবা হৌরকই। মমৈথংদা হৈনবী ওইরকই। অহিং কয়া মপূং ফানা তূম্বা য়াদবদগী হকচাং ইশোন শোন্থবা, খোয়রাংবা, খোয়শাওবা কয়া থেংনরকই।

ইলেক্সন লোইখিবগী তাল্লক অসিদা য়াওশঙ স্পোর্টস য়ৌরকই। নুমিদাংৱাইরম য়ু খরা খরা থকপা মীগীদি নুংঙাইজবী হায়বদু ওইরে। অয়ূক, নুংথিল য়াওশঙ স্পোর্টসকীদমক কোয়চেন চেনগনি। শিন লাংগনি। নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লগা পুল্লপ পুল্লপ পুনশিন্দুনা য়ু থক্কনি। তশেংনমক মীওই খরগীদি য়াওশঙ স্পোর্টস অসিনা মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীরব্রা হায়বসিনি। অসুম্না য়ু, স্লিপিং পিলস নৎত্রগা নার্কোটিক দ্রগস শীজিন্নরবা মতুং নহা কয়ানা য়াওশঙ থাবল চোঙবা চৎকনি। অহিং অথেংবা ফাওবা থাবল চোঙগনি। য়ূমগী অহল-লমন, মমা-মপাশিংবু থৌশারক্তে, অকিবা ফাওরক্তে। মমা মপা ওইবশিংনসু য়াওশঙ মনুংনি হায়দুনা থোইনা য়েংশিনবা, চেকশিনবা তৌদে। লাইরিক লাইশুগী ৱাখল চঙদে। মার্চ/এপ্রিল থা অনী অসি ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী ফাইনেল এগজাম তৌবা মতমনি। মখোয়গী তুংগী একাদেমিক করিয়র অমা শেম্নবগী অচৌবা চাংয়েং অমনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা য়াওশঙ কুম্মৈ অমসুং থাবল চোঙবগী থৌরম মতম কুইনা চথুবা হায়বসি খুন্নাইগী ওইনা অফবা নত্তে। য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখ্রবসু থাবল চোঙবগী থৌরমদি চৈরাওবা ফাওবা চথুহৌগনি। ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজাম লৈবা মরম্না থাবল চোঙবা ফংহৌদে হায়দুনা এপ্রিল/মে ফাওবা থাবল মখা চথুবা য়াওদবা নত্তে। ঐখোয়গীদি ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবী অমা লৈতে। মানা মানা অপাম্বা তৌনীংবতা তৌবদু চৎনবী ওইরকই। য়াওশঙ মৈ থাদ্রিঙৈ, য়াওশঙ কুম্মৈ হৌদ্রিঙৈ থাবল চোঙবগী থৌরমদি মচি মচিদা পাঙথোকপা ঐখোয়না উরি, থেংনরি। য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি খক্কী ৱাফম নত্তনা থা কয়া চথুদুনা লৈহৌগনি। হরাউ কুম্মৈ পাম্বা খুন্নাইনি। কনানসু অথিংবা পীনদে। শেমদোক্লবসু হোৎনদে। মসিদা মাঙলিবা মতম, পাঙ্গল, শেল-থুমগী ফীভম কনানসু নৈনদে। অসিদসু নত্তনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদা অচৌবা সাইকোলোজিকেল ইথিল অমা পী। মশাগী মোরেল ভেল্যু হন্থরকপদা নত্তনা সোসল এটেচমেন্ট লৈহন্দে অমসুং খুন্নাইগী অপূনবা ৱাখল্লোন শাগৎপদা অপনবা ওইহল্লি।

সোসল মীদিয়াগী মতমনি। স্মার্টফোনগী মতেংনা মাস মীদিয়া প্লেটফোর্ম কয়া শীজিন্নবা হেনগৎলকই। স্কুল, কোলেজ কয়া কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা থিংজিনখিবনা 'ওনলাইন' ক্লাস চথুবা হৌরকই। মসিনা অমুক্কা হেন্না স্মার্টফোন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংই। স্কুল, কোলেজ থিংজিনখিবা, চৎথোক চৎশিন্দা অথিংবা থল্লকপা কয়া অসিনা মরুপ মপাং উন্নবা, কোয়বা চৎপা হন্থরকই। স্মার্টফোন শীজিন্নদুনা মতম লেনবা হৌরকই। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা খ্বাইদগী পামজবা খরা হায়বা তারবদি ভাইওলেন্স নৎত্রগা Action Pact Movie অমসুং সেক্সকা মরী লৈনবা ভিদিও য়েংবা অসিনি। অসুম্না মখোয়গী কোক্তা অসিগুম্বা কয়া অসিনা চুশিন্দুনা লৈরবা মতম অসিদা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদু ফোঙদোকনীংবগী ইথিল ফাওরকই। ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মতমদা থকপা চাবা কয়া অদুগী নুংঙাইবা লোইদ্রিঙৈ, কোভিদকী চৎন-কাঙলোন খরা কোমথোরকপা তাঞ্জা অসিদা য়াওশঙ কুম্মৈ য়ৌরকই। মসিনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদু ফোঙদোক্লবগী অমদি হৈনবী কয়া অদু মখা চথুনবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ফংবগুম থোকহল্লি। মখল মখা কয়াগী খৎন-চৈনবা, পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি। য়াওশঙ কুম্মৈ মখা তানা চথুবনা হীরম অমত্তদা কান্নবা, অফবা পুরকপগী ৱাফম লৈতে। হন্দক্তসু নুপা অমনা মাগা নুংশিনজবা নুপীমচা অদু চেল্লবা মতুংদা হাৎতোক্লগা থম্বীরম্বগী থৌদোক ফোং ফোং শানা লৈরি। য়াওশঙ কুম্মৈ মখা তানা শাংথবা হায়বসি হীরম অসোমদা য়েংলুরবদি অফবা নত্তে। অথিংবা লৈতনা চথুরিবা থৌওং অসি অসুম চথুবা তারবদি ঐখোয়গী খুন্নাইগী তুংলমচৎ অফবা ওইগনি থাজদে। য়াওশঙ কুম্মৈ নুমিৎ নীনিদগী হেনগুমসি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লীহিং পাম্বী # ৩৩৪

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিটুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী লম্মাং-তুমাংদা য়াম্না মরাং কায়না হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌজরবসু হীদাক্কী ওইবা মগুণশিংদি থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওবা পাম্বীশিংগী মনুংদা লীহিং হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। লীহিং পাম্বী অসি ইংলিসতা চাইনিজ বরর (Burr), চাইনিজদা সি সুও মা (Ci shuo ma), ইন্দোনেসিয়াদা সুকুপান (Sukupan) নৎত্রগা গালোপাং (Galopang), মলেসিয়ানদা পুলুত-পুলুত (Pulut-pulut) নৎত্রগা চাম্পাদাং (Champadang), থাইদা পোয়ুময়ু (Poyumyuu) নৎত্রগা সেঙ (Seng), ভিয়েটনামিজদা দাইকেস (Daykes) নৎত্রগা গাইদাফু (Gaidaafu), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ত্রিয়ুমফেতা রোম্বোইদিয়া (Triumfetta rhomboidea Jacq.)* হায়না কৌই অমসুং *মালভেসী (Malvaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। বোটানিষ্ট খরনদি পাম্বী অসি তিলিয়েসী (Tiliaceae) শাগৈদা থম্মী। মালভেসী শাগৈদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি জুবা কুশুম অথোনবা পাম্বী - চাইনা রোজ (Hibiscus rosa-chinensis L.), উহল পাম্বী (Sida carpenifolia Mast), শৌগ্রী পাম্বী - দেকান হেম্প (Hibiscus cannabinus L.), লশিং পাম্বী - কোটন প্লান্ট (Gassypium arboreum L.) অসিনচিংবনি।

লীহিং পাম্বী অসি ফুট ৫ ফাওবা ৱাংবা মখোক অদু য়াম্নসু কন্দবা অদুগা য়াম্নসু থোত্তবা, মসা লোংগনবা অদুগা মতু খরা চোল্লপ তৌবা চহী অমরোমতমক পুন্সিবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি ৱীড হায়বদি হাজেংবা পাম্বী অমা ওইনা মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক শন্না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা লীহিং পাম্বী অসি ষণজাবুংগী অকোয়বদা, চীংখোং-চীংয়াশিং অমদি নেমতক তৌবা চীংশিংদা হৌবা থেংনৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না লীহিং পাম্বী অসি ষণজাবুংগী অকোয়বদা, চীংখোং-চীংয়াশিং অমদি নেমতক তৌবা চীংশিংদা হৌবা থেংনৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না লীহিং পাম্বীদা মখল কয়াগী কম্পাউন্দশিং য়াওই। কার্বোহাইদ্রেট গ্লাইকোসাইদ, ফাইটোসটেরোল, ষ্টেরোইদ, ফ্লেতোনোইদ, তেন্নিন, ফিনোলিক অমসুং ট্রাইটপিনোইদশিং অসি লীহিং পাম্বীদা য়াওই হায়বগী পাউদমশিং লৈ।

লীহিং পাম্বী অসি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা য়াম্না মরাং কায়না হৌবা মরম্না মীয়াম্না থোইদোক্না থৌশাদ্রবা অমদি চেকশিন্না লৌনদ্রবসু পাম্বী অসিনা মীওইবদা পীবা কান্নবশিং অসিদি থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানীংঙাই ওইরিবনি। লীহিং পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু এঞ্জাং ওইনা থোংবদা খামেন অশিনবা থোংবগুম য়াম্না মহাউ লৈ অমসুং পাম্না চানৈ। লীহিং পাম্বীগী নৌতক তৌবা মখোক অদুসু এঞ্জাং থোংবদা খরা হাপ্পুনা মহী অদু নং-নং লাওহন্দুনা এঞ্জাং অদুগী মগুণ হেনগৎহনবদসু হাপ্নে। সুপ (Soup) হায়বদি মহী শেম্বদা লীহিং পাম্বী অসি শীজিন্নে। লীহিং পাম্বীগী মখোক অমসুং মনা অদুদা প্রোটিনগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না হায়রিবা এঞ্জাং অদু নুপীনা অঙাং পোক্লবা মতুংদা য়াম্না কান্নবা এঞ্জাং ওইনা পীজনৈ। চাক তাঙবা হায়বদি ফেমিন (Famine) থোকপা মতমদা লীহিং পাম্বী অসি চিঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ।

অরিবা অনা লায়েং পথাপ্তা লীহিং পাম্বী অসি মখল মখা কয়াগী লায়নাশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। তাঞ্জানিয়াদদি লিননা চিকপদা লীহিং পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদু অচিকপা মফম অদুদা থোমদুনা লায়েংবগী মথক্তা পাম্বী অসিগী অকংবা মনা অদু কূপ্না তকখায়রগা লিননা চিকপা মফম অদুদা থোল্লগা ফি অমনা য়েৎলগসু থম্মী। কেনয়া (Kenya) গী মীওইশিংনসু লীহিং পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা লিননা চিকপা মফম অদুদা থোল্লগা লায়েংনৈ। নেপালদদি লীহিং পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদু ফুগ্রি থুংবা, অপাৎপা, অপোম-অতং তৌবা অমদি মায়দা উরিং থুংবদা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। ৱাৱান্দাগী ট্রাইবেল কাঙলূপ অমনা লীহিং পাম্বীগী মনা অমসুং মরা অদু পূন্না চাং মান্ননা লৌরগা পীজদুনা অঙাং য়ৈথবদা শীজিন্নবগী মথক্তা লিননা চিকপদসু থোমদুনা লায়েংনৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না লীহিং পাম্বীগী মনা, লৈ অমসুং মরা অদু পূন্না শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লেপ্রোসি হায়রিবা উনশাগী লায়না অদু লায়েংনবগী মথক্তা নুপীনা ফিঙৌ চৎপদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। থিবোং-থিরিল চাথৎপদা লীহিং পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমনা অরিবা অমাংবা য়ৈখৎতুনা খোঙ অদু হামদোকপা ঙমদ্রবদি লীহিং পাম্বীগী মরা অমসুং মনা অদু চাং মান্ননা লৌরগা শুগাইদুনা শেম্বা মোলোম অদু লশিং মচেৎ অমনা লুপ্পগা শৌজ-থোঙদা নমশিন্দুনা ঙাইহাক্তং থম্বদা অরিবা অমাংবা অদু খোঙ হামদোকহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। জুলু (Zulu) কাঙলূপকী নুপীশিংনা অঙাং পোক্লমদাইগী মমাঙদা লীহিং পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদু লুম্বু-লুম্বু শাহল্লগা অঙাং পোক্কদৌরিবা নুপী অদুগী অঙাং পোক্লবা থোঙ (Vagina) অদুদা খুদোম্বীদা তৈরগা মনুং খরা হায়বদি সেন্টিমিটর ২-৩ লোম থিংজিনবীরগা তৈবদা নুপী অদু অঙাং পোকপদা থোইদোক্না অৱা-অনা চৈথেং ফাওহন্দনা লায়না পোকপা ঙমহল্লি হায়বগী পাউদমসু লৈ। লীহিং পাম্বীগী মখোক্কী মকু অদুগা মনাগা পূন্না শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদুসু লায়েংনৈ।

বিজ্ঞাননা থিজিনবগী পাউদমগী মতুংইন্না লীহিং পাম্বীদা মহিক-মতাই মরু ওইনা কোকফাই শুজাগী ওইবা লায়নাশিং মরু ওইনা উনশাগী লায়নাশিং অসি মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী। ঊচিদা চাংয়েং চথুদুনা য়েংবদা খঙবা ঙমখ্রে মদুদি লীহিং পাম্বী অসি দাইবেটিস হায়বদি ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসিদা থোইদোক্না কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। মখা তানা চাংয়েং চথুবদসু খঙবা ঙমখ্রে মদুদি লীহিং পাম্বীগী মরা অদু ঈশিংদা শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা খোমজিংলিবী মমাশিংগী খোল্লাং অদু হেন্না থোকহনবা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অদু পীথকপদা হক্কী ঈশিং লিকপা অদুসু পৌহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদম্লি। ●

/ ইঙ্খোল অমসুং গাড়ী য়োঞ্জরি

অচিনবা অমগীদমক পোইন্ট ১০ য়োঞ্জরি, মফম্না পাৎসোই পার্ট ৱান ম্যেন রোদ মনাক্তা অমসুং TATA Super Ace min 2018 Model অমসু য়োঞ্জরি।

HL-P/1978/26 Phone no. - 7005014785

**IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL**

**Mat (Declaration) Suit No 14 of 2022**

Oinam Rasheswori Chanu, aged about 33 years, having Aadhaar No. 787503706876, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, PO. Canchipur, PS. Singjamei, Imphal West District, Manipur-795003 ...Plaintiff

Versus

1. Smt. Oinam (N) Hemabati Devi, aged about 42 years, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai and W/o Sukham Hemchandra Meitei of Bashikhong Torban Leikai, PO. Singjamei & PS. Irilbung, Imphal East.
2. Oinam Gandhi Meitei, aged about 38 years, Aadhaar No. 981744439333, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
3. Oinam Chandrakumar Meitei, aged about 36 years, Aadhaar No. 282242208470, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
4. Premananda Oinam, aged about 30 years, Aadhaar No. 941779404592, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur. ...Defendants

To,

All the interested Persons.

Whereas, the above named Plaintiff has filed a suit against you u/S 34 of the Specific Relief Act r/w Sec. 7(1)(a) Expl. (e) of the Family Courts, Act 1984 praying for declaring that the plaintiff is the unmarried daughter and natural daughter of Late Oinam Subadani Devi and Late (L) O. Irabot Meitei; all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 11.04.2022 at 10:30 A.M either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the material questions relating to the case and to file written objection, if any.

Take notice that in default to your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, this 17th March, 2022.

Seal:-

By: **Y. Nodiachand**, Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**, Family Court, Manipur

HL-P/1953/24,25,26

**THE NEW HORIZON PUBLIC SCHOOL, KHONGHAMPAT**

/ TEACHER WANTED

| Subject | Qualification |
|---|---|
| Maths | Graduate / M.Sc. |
| Science (Phy + Chem) | Graduate / M.Sc. |

**Salary : Negotiable**

Kindly submit your resume to the school before 30th March 2022.

Sd/- **Headmistress**
**NHPS, Khonghampat**
# 9862014998 / 8730083507

HL-P/1320/26

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. 9/SDO/Lil/Cert/2015(pt)/1275** **Dated, the 17th Jan., 2022**

Thoibi Bibi W/o Late Md. Anzar Ali of Keibung Makha Leikai.

/ **NOTICE**
25th March, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Thoibi Bibi W/o Late Md. Anwar Ali of Keibung Makha Leikai, P.O. & P.S. Thoubal, District Thoubal, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC/Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপ্তি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Lilong

HL-P/1973/26

**IN THE FAMILY COURT : IMPHAL EAST AT LAMPHELPAT**

**Mat. (Dec.) Suit No. 3 of 2022**

Miss Sarju Akhongbam ...Plaintiff

V.

Mr. Akhongbam Netrajit Singh & Ors. ...Defendants

To,

All the interested Person.

Whereas, the above named Plaintiff has instituted a suit for declaration that the she is an unmarried daughter declare that the Plaintiff is unmarried daughter of deceased Akhongbam Ingobi Singh and Akhongbam Mombi Devi. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed on 04/04/2022 at 10:30 a.m. for making objection (if any).

Take notice that in your default to appear before this Court on the aforementioned date and time, the suit shall be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court on this 17th day of March, 2022.

SEAL

By: **Satish Khaidem**, Advocate

Sd/- **Th. Ibeyaima Devi**, Sr. Sheristadar, Family Court, Imphal East

HL-P/1895/26,27

/ লম য়োঞ্জরি

মালোম তুলিহল এয়রপোর্টতা ম্যেন রোদকী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা স্কুল, হোটেল অমদি কম্মর্সিএল এরিয়া ওইবা য়াবা, পাক চাওবনা শঙম অনীগী ময়া ওইবা, ফেন্সিং, বোরো ৱেল ৱাটর অমদি নীংথিজনা শেমগৎ-শাগৎপা হৌরবা মফমনি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি।

HL-P/1892/25,26,27 **Contact : 7005606673**

**THE MANIPUR MOUNTAINEERING AND TREKKING ASSOCIATION**

/ **NOTICE**
Dated, the 25th March 2022

অসিনা মরম ওইদুনা "The Manipur Mountaineering & Trekking Association (MMTA) বু পামজবা অমসুং মেম্বর ওইবীরবশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরদং খঙহঞ্জরি মদুদি MMTA গী Annual General Body Meeting লাক্লিবা May গী তাং ১৪ (14/05/2022) ইং থাংজ নুমিৎতা MMTA গী "YAIPHA SHANGLEN" দা চাকলেন অমগা লোয়ননা অয়ূক্কী পুং ৯ (মাপল) তাবদা পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা Member Renewal তৌবীগদবা অমদি Fresh Member ওইবীগদবশিংনা April গী তাং ১০ (10/04/2022) ফাওবগী মনুংদা Membership form অমদি মেনশিল্লবা Renewal form অমদি Membership fee গা লোয়ননা Hony Secretary, MMTA দা পীশিনবীয়ু। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা মখল অমত্তগী Complain লৌজরোই হায়না খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ- **Yambem Henary Singh**, Hony Secretary

HL-P/1974/26

GWI
Golden Welfare Investment
Wahengbam Leikai

**Golden Welfare Investment**
**Regd. No. - 1714 / 2011 - Under I.P.A. 1932 of 18th Aug 2011**
**Licence No. - 71/M/BML/2011**

**Ref. : GWI/Adv/009/2022** **Date : 25/3/22**

**LOAN পীজরি**

Greater Imphal East & West কী অকোয়বদা লৈবা Pensioneer শিংগী ওইবা অরায়বা অমদি অপীকপা শেন্দোয়দা Pension Loan পীজরি।
অকুপ্পা মরোলগীদমক ঙসিমক Office তা লাক্লগা তান্নবীয়ু।
Tel. No. 3853560925
Office Hour : 10.00 AM to 3.00 PM

Sd/- **Ch. Jiban Singh**, Director Loan & Advance

HL-P/1969/26,27,28

**SCHOLARS ACADEMY**
Heirangoithong West, Imphal

/ **TEACHERS WANTED**

| Sl.No. | Post | Edu/Qualification | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1. | Asstt. Teacher (Physics) | B.Sc. /M.Sc. | 01 |
| 2. | Asstt. Teacher (English) | B.A./M.A. | 02 |
| 3. | Asstt. Teacher (History) | B.A./M.A. | 01 |
| 4. | Asstt. Teacher (Hindi) | B.A./M.A. | 01 |
| 5. | Asstt. Teacher (Computer Sc.) | PGDCA/MCA | 01 |
| 6. | Asstt. Teacher (Lower Class) | B.A./M.A. | 01 |

**Last date of application submission : 29/03/2022**
**Contact No. :- 9436026928 / 9436065056**

HL-P/1977/26,27

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।